ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ১৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২০০ শুবা মশীং

# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ

## *মায়থীহৌবসিনা ৱাহৌদোক ওইরগা মথংগী হোৎনরসি*

**ফেদরেসন** ইন্টরনেসনল দি ফুটবোল এসোসিএসন (ফিফা) না শিনবা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউরবা ফুটবোলগী মশান্না কুমজা ২০১৮গী জুন ১৪দগী জুলাই ১৫ ফাওবা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরি। মশান্না অসিদা শরুক য়াগদবা টিম অয়াম্বা মশক খঙবা লোইশিল্লক্তুনা প্রেক্টিশ তৌনবা ফাওবা য়াওখ্রে। অসিগুম্বা মখলগী মশান্না অসিদা ফুটবোলদা ঙাওজবা ইনিদয়াগী মীওই কয়ানা লৈবাক অসিসু মালেমগী ফুটবোলগী ঈহৌদা য়াওহৌননবগী ৱাখল্লোন চাউনা লৈরগসু ওইথোক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈখিদে। অদুবু হন্দক্তা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়ম ৬তা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ অসিদগীদি মতুং তারকপা ফুটবোল মশান্নদা মালেমগী মফম অমা কনবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোন তপ্পা তপ্পা লাকপা হৌরে। ওক্টোবর ৬তগী হৌখিবা অদুগা ওক্টোবর ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা হোষ্ট ওইরুবগী মশান্না অসিদা শরুক য়াবা ফংখিবসিমক ফুটবোলদা ঙাওজবা মীওই কয়াগীদি লাইরৈবাক ফংবগা চপ মান্নবগুমখ্রে। অসিগুম্বা মখলগী টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি অহানবা ওইনা শিনবনি। কুমজা ২০১৩গী তুংদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড কপ অসি মথং চহী মরিদদি করম্বা লৈবাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়বদু তংদাংবা খঙদ্রি। ফুটবোলগী ঈহৌ লৈজরগসু মালেমগী থাক্তা থাক খ্বাইদগী নেম্বা লৈবাক ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়ানা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ শিন্দুনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং শরুক য়াবা ফংহনখিবসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়াসু ফুটবোলগী মশান্না নিংথিনা শেমগৎলগনি হায়বনি। হৌজিক্তি লৈবাক অসিসু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা তৌনবগুম শান্ন-খোৎনবগী লমদা চাউনা শেল থাদরে। স্পোর্টস মিনিষ্টর ফাওবা ওলেম্পিক্তা শিলভর মেদল ফংলকখিবা ওলেম্পিয়ান অমদা ওইহন্দুনা স্পোর্টসকী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবা থবক লৌখৎলে। লৈবাক অসিদা লৈতবা কোচ কয়ামরুম মপান্দগী কৌদুনা শান্নবা তমহল্লি। ফুটবোল মশান্নগীসু অদুমঙাই মমিং লৈরবা ফুটবোলগী এসোসিএসন/ক্লব কয়াসু মপান লমদগী কোচ নেক্তুনা মখোয় মখোয়গী টিমগী শান্নরোয়শিং তাকপী তম্বীবগী ঈহৌ অমা লৈখ্রে। মসিমক অফবা মায়কৈ অমনি হায়না লৌবা য়াই। ফুটবোলগী লমদা মমি তমখৎলকপদা ঙাইবগুম লৈরিবা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং হেন্না পূক্লিং থৌগৎপা অমসুং অফবা মখলগী ত্রেনিং পীদুনা মখোয়বু মালেমগী অফবা শান্নরোয় অমমম ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাং লৈবদা নত্তনা ঐখোয় পুম্নমক্কা মখোয়বু শৌগৎপীবা অমসু চঙই।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়া লৈহৌরে। লৈবাক অসিগী মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কা ইনিদয়াগী পার্ফোমেন্স করম তৌরক্কদগে হায়বসি য়াম্না ঙন্না খঙই। মরমদি ফুটবোল মশান্নদা মমিং লৈরবা লৈবাক কয়াগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়ানা চহী ১০০ রোম শোথরগা চৎলি হায়বা খঙবননি। খোঙগী হৈ-শিংবা, বোদি ষ্ট্রকচর ফবা, ষ্টেমিনা লৈবা, প্রেক্টিশ য়াম্না কনবা অমসুং ৱাখলগী মতিক-ময়াই য়াম্না লৈবা ফুটবোল শান্নরোয় খনবা হায়বসি ইন্দিয়াদদি অরাইবা অমা ওইদ্রি। ক্রিকেটকুম্বা মশান্নশিংদদি লৈবাক অসিগী শেঞ্জাউ পায়বা ময়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা লৈবা মরম্না মীরোল কয়া কয়াগী তুং ফাওবা ক্রিকেটতদি ইন্দিয়া অদুমক মমিং লৈখিগনি। অদুবু ক্রিকেটতা থাদরিবা নৎত্রগা মীয়াম্না শৌগৎপীরিবা অসিগুম্না ফুটবোল মশান্নসু শৌগৎপীরম্বা থোক্লবদি ইন্দিয়াসু মমিং লৈবা মলেমগী ফুটবোলগী টিম পুথোকপা ঙম্লমগনি। লৈবাক অসিগী ওইনা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াননবা শান্নরোয় ২১ খনবদা মণিপুরদগী ৮ খল্লকখিবা হায়বসি ইন্দিয়াদা মণিপুরনা ফুটবোলগী মশান্নদা অচৌবা ফিদা অমা কন্দুনা লৈরি হায়বসিমসু তাক্লবনি। লুরিবা ৱাফম অমদি চহী নৌরিবা অমসুং মালেমগী থাক্তা শান্নবা য়াবা শান্নরোয়শিং থিরকপদা ইন্দিয়ানা মিৎয়েং থল্লিবা মণিপুরদা লন্নাইগী অমখক নত্তনা ফুটবোল একাদেমি অমা ফাওবা লৈত্রি। লন্নাইগী অসি ফাওবা লৈঙাক্কা মতম মতমগী শেন্থং পীবিবা তৌদে, মীচিনা ফাওবা য়েংবিদে। ত্রষ্ট অমনা একাদেমি অসি চলাইননবা হোৎনবদা কয়াগী মতিক অৱাবা মায়োক্নরমগনি হায়বদু হৌজিক্তি লৈঙাক্কা খন্থবা মতম য়ৌরে অমসুং থাক ৱাংবা একাদেমি অমা ওইহন্ননবা মিৎয়েং চঙবগী মতমসু ওইরে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ইন্দিয়ানা মশাগী তৌফম থোকপা তৌসনু। ঐখোয়সু মণিপুরদা মালেমগী মীপুম খুদিংমক্কা কল্লক্নগদবা ফুটবোলগী শান্নরোয়শিং পুথোক্ননবা থবক পায়খৎপা মতম য়ৌরে। হন্দক্কী ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয় ৮ হায়বদি গোলকিপর ওইনা ধিরজ, দিফেন্দর বোরিস, মিদফিল্ডর সুরেস, নিন্থোইঙানবা মীতৈ, অমরজিৎ কিয়াম (কেপ্তেন), জিক্সন, নোংদম্বা নাওরেম, অমসুং এম দি সহাজান মখা তানা ত্রেনিং ফংহন্নবা করি থৌরাং তৌগদৌরিবগে হায়বসি মীয়াম্না ৱাহং ওইনা হংগদবনি । হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা মায়থীহৌরবসু মথংদা লাক্কদবা মালেমগী ওইবা ফুটবোল মশান্নদা মতিং থোক্না শান্নবা ঙমহন্নবা মখোয়বু মখা তানা কোচিং পীরগা সেনিয়রগী টিমদা শান্নহন্নবা হোৎনসি। মথং ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শান্নরোয়শিংসু হৌজিক্তগী হৌনা শেমগৎসি। হন্দক্কী মায়থীহৌবসিনা ৱাহৌদোক ওইরগা মথংগী ৱর্ল্ড কপ্তুদি মালেমগী মীয়াম্না থাগৎনগদবা শান্নরোয়শিং পুথোকপদা মণিপুরনা মাঙজিল থারসি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## লাইবক্তা বিন্দি নপ্পা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ফুরুপ** অমগী শক্তম কনবদা নুপীশিংনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌনৈ। নুপীগী ফিজেৎ চাকচানা ফুরুপ অমগী মশক তাকই। লাইবক্তা বিন্দি নপ্পী নুপী অমা থেংনরবদি নুপী অদু নেপালি নৎত্রগা ময়াংনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কা অদুম খঙনরে। মায়থোঙ ফজনবা বিন্দি নপ্পা নত্তে। ময়াংগী চৎনবীগী শক্তম অদু কঞ্জবনি। লমদম অসিদা ময়াং চঙলকপা পামদবগী খোঙজং কয়া চঙশিন্নরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মীতৈ নুপী খরনা ময়াং নুপীগী মতৌ তমদুনা লাইবক্তা বিন্দি নপ্পগী থৌওং অমা তৌনরকপা উরে। অসিগুম্বা নুপীশিং অসি মনাৎপু মশক খঙদবী মাল্লি। মীতৈ নুপীনা লাইবক্তা বিন্দি নপ্পগা চখোরকপদা য়াম্না ইকায়জনবগী মওং অমনি হায়জনীংই।

মীতৈ নুপীশিংনা লাইবক্তা বিন্দি নপ্তুনা থবক-ইনখাং চৎথোক্লবা উবদা মাগীসিবু ময়াং নুপাদা ময়ূম পানখ্রবরা হায়না শোন্নবসু য়াওদবা নত্তে। হায়রিবা থৌওংশিং অদুদা ময়াং নুপাশিংনা মীতৈ নুপীশিংবু উশিৎপীরক্লোই। য়েলহৌমীগী শক্তম মাঙথরক্নবগী মরম অমসু ওইরক্কনি খঞ্জে। ময়াং নুপীগী মতৌ তমদুনা বিন্দি নপ্পা তৌবীগনু। মীতৈগী লৈজরিবা চৎনবীশিং অসি ঙাক্না চৎমিন্নসি। য়েলহৌমীগী শক্তম কনবদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়জনীংই।

*অদোমগী - মোইরাংথেম লালমনি মৈতৈ*
*ৱাইতোন মখা লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১। অরিবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) ঙন্না তাবা শেন্দাংনা চেঙ মচং চায়।
(খ) চৈশুসু তেক্তনবা, লিনসু শিনবা।
২। জি সি তোংব্রাগী দ্রামা অমনা মণিপুরদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নবা লীলা ওইরি। করি দ্রামানো?
৩। ‘‘পূম্নিল নিল্লি, পূল্লাঙ লাঙই চীংমায়দু/...মচী লেঙদে চীংমায়দি।’’ পরেংশিংসি লমাবম বীরমনিগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা ৱারীমচানো?
৪। ‘‘খম্বতোন! নঙনা মায়থীরিবসে করম্বা লানফমদনো?’’ পরেংসিনা বেনুবালাগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারী মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। হিন্দিগী ‘কম্বন’বু মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঙাক্ত্রানবীগী অঙৌবা ফুরীৎ




**তা চীংখৈঙানবা** ঙসিদি নোং চুদৌ মাল্লিবো? ঐনা গাড়ী মচা চাল্লিঙৈদা ঙাক্ত্রানবীনা ঈশিং য়াবা থোরকপদা লঙনরকপনি। ঐনা খুমখি কদাইদগী নোংনোদা নুমিৎ তরং-তরং থোক্লিবা অসিদবু নোং হেক্তা তাবা য়াব্রদা। হায়গা তৌগা ঙাক্ত্রানবীনা ঈশিং য়াবা চৎখিবগা অদুম মিনিৎ তরাগী মনুংদা নোং জম-জম চুথরক্লে। ঙাক্ত্রানবীসু ঈশিং শোক্লুরগা কারকপগা নোংনা হৈথরকপদুগা মপা চপ চানদুনা ঐগী ইনাক্তা ভেরেন্দাদা চঙশিন্দুনা লেপ্তুবা য়াদবা মতাংনি। লাপ্না উরবদি ঐনা ঙাক্ত্রানবীবু লঙনবা ঙম্মী অদুবু মানা ইনাক্তা হেক লেপশিল্লক্লবদি ঐসু লৈ অসি খৎপা ইঙম হেক ঙমদে। মাসু অদুমঙাই চপ মান্নৈ। মানা লম্বীদা চৎখিবদা ঐবু উরগা শুগৎলমদবা নুমিৎ অমুক্তা লৈতে। মহাক উপালগুম্না তুমিন লেপ্তুনা অদুম লৈ। মানা ঙাঙদ্রবা অদুদদি ঐসু অদুম করি অমত্তা লেপফম চামফমগা খঙদ্রে। মানা ৱা অমত্তা ঙাঙখিদ্রবনিনা মহাক প্রপ প্রপ চৎখিনবা ঐসু নোং হাংহন্নীংবনা লোইরে। তশেংনদি ঐগী থম্মোয়না মাবু ইনাক্তগী চৎহন্নীংবরা হায়বদি নৎতে। অদুবু ঐনা নুপা হায়বদু কৌবনিনা ইকায়বা খরা থাদোকপা ফৈ খল্লগা মনাক্তা চঙশিন্দুনা লেপ্লগা মায়দি ইনোন নোনখৎতনা হায়রুই নোংসে কৈদৌনা তারক্লিনো খঙদে, য়াম মতাং চাদে ঙাক্ত্রানবী। মানা খুল্লকই, দা চীংখৈঙানবা নঙনবু গাড়ী চাল্লবদি নোং তাবদি মশানা তাবনে অদুননে। খল্লি ঙাক্ত্রানবীসে ৱা ঙাঙবা য়াম্না হৈরল্লে অদুবু মদু মঙোন্দা হায়রুবদি ঙমদে ইনাক্তা নক্লা লেপ্লবনিনা। খঙদে মাগা ঐগগী মরক্তা করিনো মরী অমা ইরৈ লৈবদৌনদি মহৌশাদগী অদুম লৈরল্লমাল্লে। মীনসু অদুম হায়রকই ঐসু নুংঙাইজবা অমা ফাওবগুম্না তৌজৈ। মাসু অসুম্না অদুম চপ মান্ননা ফাওরম্বা য়াই। করিগীসু মান্নরোই অদুনবু মানা ঐবু মনাক নক্লা উরগা মাগী মচিন অদু চপ লেপ্লিবসিনি।

নোং হাংখি। মহাক চৎকে হায়রমদনা চৎখি। ঐসু লৈহৌরে হায়বসু ঙমখিদে, চৎলো হায়বসু ঙমখিদে। তেক অদু মাগী মকোক্তা ৱা ঙাঙদনা ঐনা থোঙ্গৎপিরগা মানা ইকায়না চৎখি। মানা চৎখিবা মতমদা খলহৌই ঐনা মাবু উজবা ফংলিবা অসি ঙসিনা অরোইবা ওইরম্বা তারবদি ঐগী পুন্সি অসি করি ওইগনি? মাসু অসুম্না অদুম চপ মান্ননা খল্লম্বা য়াই। করিগীসু খল্লম্লোই মাবু থম্মোয় পান্দবীরনে? অদুগীসু মথক্তা মহাক নুপীনি। নুপীগা নুপাগদি থম্মোয় থোৎপা নৌবগী চাং য়াম্না শাথিনা খেন্নখ্রে, মখোয়গী থম্মোয়দি লৈনাদগীসু হেন্না থোৎলিকা হায়বদাইনে? অদুবু মাগী থম্মোয়দি নুপীগী ওইজরবসু অদুগা ঐগী থম্মোয়না নুপাগী ওইজরবসু অনীমক ফজবা চপ মান্নরমগদবা মাল্লি। ছাচা অমত্তদা হৈবগুম্না।

মানা ইমাঙদগী চৎখিদুনা মীৎ অসিদা উখিদ্রবা ফাওবদা মাবু অসুম উদুনা লৈবগুম্না তৌহৌখি। মাঙদা লৈদুনা চামহৌরিবা গাড়ী অদুফাওবা হেক উবা ঙমহন্দবা মিত্রংগী মতৌগুম্না ঙাইহাক্তি ঘাড়ীদু উবা শুকফং হেক ফংখিদে। গাড়ী অদু ফজনা চাম্বা লোইশিল্লে। ঙাক্ত্রানবীবু নোংমতং তোংহন্দুনা নোংমতং কোয়রুসি হায়জিনসিরা? মানবু য়াবিরক্কদ্রা? মানা ঐবু কিজরমগদ্রা? মানা ঐবু ঐনা খল্লিবা অসুম্না খল্লম্বা তারবদি করিসু কিজরল্লোইদা। ঐবু য়াম্না ঙাওশিন্নবা মীরনে? করিসু ঙাওশিন্নদেদা ঐদি। সিবু ঐতনা হায়শিন্নবরনে? মী লোইনমক্লা খঙলমগনি। সিবু ঐ ইথন্তনা ইশাবু থাগৎচবা তারগদ্রনে? তাফমদি থোক্তেনা।

কয়ারক খল্লবা মতুংদা নোংমদি ঐ থৌনা য়াম্না ফখি। নুপা থোকখি। ঐনা ঙাক্ত্রানবীদা নোংমা কোয়রুসি য়াব্রা হায়না মায় ঙাঙশিল্লগা হংখি। মসিনি ঐনা নুপা থোক্লিসি। ৱাহংদু অহানবদা য়াম্না চম্না হংখি। অহানবদা

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

মহাক মদু শিরগেমখৈ য়ারমদে। কোয়বা চৎলগা করি কান্নৈ। মীনা উরগা ফজদে। ইবানি করি মরী থোক্নৈ? ইবানি মরী থোক্কদে। ইবানি হান্নদগী নোংমতা নক্কনা ফমদুনা ৱারী করিসু শানখিদ্রি। ৱারী শানবসু ইকোয় কোয়নৈ। অসুম্না লৈনরক্লগা কমদৌনা ইবানি তরাই তরাই হেক্তা কোয়বা চৎমিন্নগনি? অসিনচিংবা ৱাহং কয়া? মাগী ৱাহংগী পাউখুম ওইনা ঐনা মঙোন্দা ৱাহং কয়া অমুক মনম মনম হংখি। পাউখুম অমত্তা য়াওদনা অমনা অমদা ৱাহং ঙাক্তগী ওইবা মীকুপ খরা ওইখি। মদুদগী মানা য়ারকখি ইবানি কোয়বা চৎমিন্নবা। ইরোয় লোইবদা মানা নোক্তুনা হায়রকখি - মানা ঙসি ইবানি কোয়বা চৎপা য়ারিসে ঙসিখক য়াবা নত্তে ঙসিদগী চহী তরেৎকী মমাঙদগী য়াখ্রবনে। ঐ পুমঙক ঙকখি, করিগীনোদি খঙদে ঐসু নোংমতংদি ইবানি কোয়বা চহী কয়াগী মমাঙদগী চৎমিন্ননীংখি। অদুবু চিন কাঙথোকপদি শুকঙম ঙমখিদে। অদুবু মাগা ঐগা করি করম্না অচেৎপা ফোঙদোক্নদবা মরী অমা নুংদা থোক্নদুনা মাগা ঐগা অসুক তাঙনা ইথা থাজদনা চৎমিন্নসি য়ারক্লিবা? ৱাহং অসিগী পাউখুম্না কনানা পীবীগদৌরিবা? মদুগী পাউখুমদসু ঐনা হংলুদ্রবসু মানা অসুম্না হায়রকখি - হৌজিক ইবানি হান্নদগী লীশাং শীৎপা মরী অমা থোক্নবা থোক্নদবা খল্লুরনু মরীদি কোয়বা চৎলুরকান্দা থোক্নরকপসু কায়দে, ঐগী ৱাহৈসে তৌঙম্বী ওইনা খল্লমগদ্রা অমুকসু খল্লি দা চীংখৈঙানবা ... অসিনচিংবা। ঐনদুম খুমখি চীংখৈঙানবী নহাকসে ৱা য়াম্না ঙাঙই হায়বসে ঙসিতা খঙই।

নোং হাংখিবদা ঙায়বগী ময়েক লানা তরং তরংহল্লবা শংবান্নরবা অতিয়া মালেম অনীগী মরক্তা ঐনা মাবু ঐগী গাড়ী মথক্তা ফল্ল-ফল্লগা মাবু লাঙতক্নুনা ঙাইদুনা লৈখি। ঙাক্ত্রানবীনা ঐগা কোয়মিন্নবা চৎনবা চীম্বাল থক খা চিকলপ ইকায়না থোরকখি। অমুবা মচুগী জিন খোঙগ্রাউ অমা শেৎলকখি। অঙৌবা মচুগী ফুরীৎ অমা লিৎলকখি। অতিয়াগী থাজনা ইথা থাজদবা মওংদা লৈমাইদা তপ্পা তপ্পা নোমহৌ নোমহৌ কুমথরক্তুনা চৎলগা ইনাক্তা নকশিল্লকপগুম্না। মহৌশাগা মান্নদবা মফজ অমদা, ফাজিন্দুনা থমহৌনীংবা কল্পনানা শাগৎপা ঙল্লরোইদৌবা মোমোন মীনোক অমদা। মসিবু মঙলনে হায়বদো য়ৌখি।

মানা ঐগী গাড়ী মনীংদা ফমখি। ঐনা গাড়ী লিরি লিরি থৌবা হৌগৎলম্মী। মানা করি হায়রকপগে হায়বদু তাগদগীদা তৌখি ঐগী নাকোং অনী অসিনা। লিরি লিরি থৌরম্মী। কদাইদনো অমা মাগা ঐগা ইপুন পুনশিন্নবদৌনা তৌরম্মী। মাগী ৱাখল, মাগী ৱাহং, মাগী পাখৎচবা, মাগী নুংওনজবা, মাগী ওইনজবা ... মাগী পুম্নমক ঐগী ওইখি। চৎলিবা লম্বী অসি ফনমক নোং হাংখিবগী ঈশিংনা থুমদুনা নুংঙাইত্রবসু লোইবা নাইদনা শাংহন্নীংখি, মতমগী খোঙচৎ লোইবা নাইহন্নীংদে। ঐখোয় গাড়ীদগী কুমথনীংখিদে। মহাক য়াওরগা কোয়বা চৎপসে কয়াগী মতিক চীং, পাৎ, তুরেল, লম্বী ময়ামসে ফজবা হেনগৎলিবা।

স্বাছ ভারত অভিয়ানগী মিটিং তৌহৌবা মিনিষ্টর অদুগী গাড়ী পরেং অদু মাগী এস্কোর্ট কাঙবুগা লোয়ননা অথাপ্পদা য়াঙনা থৌজিল্লকপা উই। ইবানি গাড়ী অদু লম্বী ফত্তদুনা ঈশিং চোংদনবা থৈদোক্তুনা লৈজরে। মখোয়না য়ৌশিল্লক্লগা ইবানিবু হেন্দোক্তুনা চৎখিবদা ইবানিগী নুংঙাইরবা খোঙচৎ অদু লোইশিনবিরল্লে। ঙাক্ত্রানবীগী অঙৌবা ফুরিৎ অদো লোইশিনবিরল্লে। লম্বীনা নান্দ্রবদা কদাইদগী মশা নানবা য়ারদগেদো।

# ভোট হায়বসি য়াওশঙনি

### নবকুমার ওইনা

**ভোট** পীনরগা ইলেক্সন তৌবসু হৈত্রিবসি, ভোট হায়রিসে ইলেক্সন তৌবগীরা খঙদ্রে। ইলেক্সনদি ফজনা তৌদে, হায়বদি ভোট পীবা হৈতে হায়নরি। হৈতবা হায়রিসি পৈশাদা য়োনবা, পৈশা লৌরগা য়াবা, পৈশা পীবা লাকপা, ঙা পীজবা, শা পীজবা, য়ু পীথকপা, থেম্বা, মরী-মতানি হায়বা, নুংশিনবনি হায়বশিংসি ইলেক্সনগদি মরী লৈনদবনি।

লৈবাক্কী খুন্নাইগী অফবা তৌগদৌবা, মপুকচেল শেংবা, তশেংনা লৈবাক মচা তানা চাওখৎপা খঙবা মীনা মীরেপ ওইরগা মখোয়গী মরক্তগী অফবা খনগদৌবদা মীদু লৈতবদগী মশানা ওইজগে হায়জবশিংনা পংচোঙদা চোঙথোক্নরকপনি। পৈশা খরা পায়রগা খরা হেন্না পায়নবা ঠিকা তৌবগী মওংদা ভোট লেপ্পনি হায়নরিবনি। চিন্দদি মিংচৎ লৈনা লৈবাক্কী থবক তৌগনি হায়জবগী ৱানি। চৎনরিবা, পৈশা য়েল্লিবা অসিদি লোৎপসু নত্তে (খঙগনু হায়বরা), ৱাখল খনবদা মদু য়াওদনা খল্লু হায়রিবরা? হৌজিক ফাওবগীদি পৱার পাম্বগী পৈশা তানবগী থোক্লকপনি হায়বসিনা চুম্বা হেল্লি। ভোটকী ৱাসিদা মসিনা চুল্লবনি হায়বসু লৈবা নৎত্রি। কেন্দিদেটকী মরল লাউথোকই চুমদে, মীনম্বগী লিলা ওইনা ইচা-ইশুশিংদা তম্বীরিবনি। মদুগী ইকায়বসু ফাওবা নত্তে, মীয়ামসি করিসু নত্তে খনবা হৌবদুনি, ফি শেত্তবগুম্বনি। কেন্দিদেট ওইবা হায়রিবসি নিংথৌ ত্রেনিং তৌবগুম্বনি। ফিশেৎ-চাকচা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙদা মন্ত্রি মান্নবা ঙাঙবা হৌরিবনি, য়াহৌ ঙনবা, শুমাং শিৎপগী ৱাদুমা য়াদ্রে। য়ারগদি গুদ মোর্নিংকাক হায়নবী, বেদ-টি পুশিল্লকপী, নোংমদুগী দাও য়ানবা ধুপকাক থাদোক্লগা য়াহৌবা। পৈশা লৌখ্রবা, য়ু থকমিন্নখ্রবা মী খরা ঙন্না লাক্লগা লাংবা হৌবা, মশানা মশাগী থবক চেঞ্জবা ঙমজদবা খরা য়াহৌ ঙন্না লাক্লগা ৱানোম্বা মানবগী ৱা তান্নবা। ঙম্নি-ঙল্লোই খঙবা নত্তে, হোৎনগে হেক্তা হায়গনি, মাদি (থবক তৌগদৌবা মী) ঐগা চান্নবনি, পৈশা পীরগা য়াজবা পোৎনি, য়াম্না পীবা তাবনি, অসিনি ঙসিগী ফোং-ফোং শানা চৎনরিবা লমদমসিগী চৎনবী।

মসিবু ভোটনি হায়দুনা অসুম চত্থনখিবা তারবদি পৈশা মাঙনবসিদি লায়রি, লৈবাক খুন্নাই অমা লৌখৎপা য়াদনা মাঙখিগদৌরিবনি। পৈশা মুন্নবগী তৌরিবা থৌওং অসিদি য়োংয়ামদা লফোই খরা লংশিল্লগা মুন্নবগুম্বনি, মুন্না য়েংলবদি চপ্পু মান্নবনি। হন্দক পঞ্চায়টকী ইলেক্সন তৌবদা ঙা ওইনা য়েনবা চৎনরে। মসি থায়না লাইরেল অমা হাৎপদা খুনগী য়ূমথোং খুদিং য়েনবগী চৎনবী অমা লৈরম্বদুগী মমি তারকইবনি। ইকুইবু কুইহ্রিঙৈদা য়াংকোক অমা য়াম্না মল্লবদি মচেৎ-মচেৎ কক্লগা য়ূম তরেৎতা য়েন্থোকপীসু চৎনরম্মীবনি। থাজবী, কাউবা য়াদবী, মী খোমজিনবীগী অরিবা কাঙলোননি। মসিদা মীদু ফবা-ফত্তবগী ৱাসিমা য়াওরক্ত্রবনি। মিথিকেল ওইখ্রবনি, ভোটকীসু পৈশা লৌরবদি মিথিকেল ওইখ্রবনি, মীদু ফবা-ফত্তবা খনবগী ৱা লোয়খ্রবনি, পৈশা হেন্না পীবদুদা ভোট পীরগনি হায়বসি চৎনবী, থাজনবী ওইরক্লবনি। মীয়ামসিনা কেন্দিদেট ময়ামদুগী মরক্তা মহাক্লা ফগনি খনবগী লৈখায় তাবা ঙমদবা ময়াম লৈরিবনি। পার্টি ফবা-ফত্তবা, য়াম্না কাবা-কাদবা, ইন্দিপেন্দেন্টতা লেপ্পা, চোঙবা, গভর্ণমেন্ট শেম্বা য়াওবা ঙম্বা ময়ামসি হান্ননা খঙবা ঙম্বসু নত্তে। পুম্নমক্তু তোক্লগা পৈশা পীবা, খঙনা চান্নবা, হান্না হায়বা, মরী-মতা থোকপা হায়বঙাক্তা খন্নখ্রবা মাল্লকপদগী ঙসিদি লমদম অসিগী চৎনবী হায়বদু ওইখ্রবনি। শেমদোকপগী ৱাদি পন্নরে, করম্বা মওংদা শেমদোক্কদৌবনো, মদুমা পন্নবা তাদ্রি, পৈশাদা ঙাওরি, য়ূদা ঙাওরি। মীওই খরনা পংঙাঙ ঙাঙজবগী ৱানি শেমদোকপা ঙমগদৌবা মান্দ্রি। মীওই অমা অনীনা য়াবা নৎত্রি, মীয়ামসি খঙমিন্নবা অমা চঙই। মীয়ামদি পৈশাদা, য়ুদা ঙাওরি, কমদৌনা শেমদোকপা য়াগদৌরি। শেমদোক্কে হায়রিবা কাঙবুনা ভোটকী নত্তে হায়রগা য়ূম-য়ূমদা পৈশা হান্ননা য়েনবা তারকপরা? মীয়ামসিদি পৈশা চাগনু হায়বা য়াগদৌবা মান্দ্রি। মসিদনি ভোট হায়বসি তুক্কচবা অমা য়াওরক্লিবসি। মসিদবু হুরান্দবা কনানা ভোট লেপ্পা ঙমগদৌরিবনো। ইলেক্সন হায়রিবসি মীয়ামদা হুরানবগী ত্রেনিং পীবগুম্বনি, হুরানবগী চৎনবী অমা শাগৎলগা লৈবাক শেন্লিবনি, মীওইবনি হায়রিবনি। চহী চাম্মা, চন্নী লৈরগা মতমদুগী মীশিংনা নৈনরকপদা লমদমসিগী অঙকপা লিচৎ ময়ামসি খঙনরক্লগা লমদমসি য়েংবা লাকপা য়ারিবনি, মী ময়ামসিসু অঙকপা কাঙলুপনি হায়বা য়েংবা লাক্কদৌরিবনি। মতমদুদা দেমোক্রেসি হায়বসি অসিগুম্বা তৌবা য়াখি হায়বা অমসু হায়গদৌরিবনি। ঙসিগী দেমোক্রেসি চৎলে হায়রিবা লৈবাকশিংসিগী করল থুংদবা, সিষ্টেম অসিমক্কী অহোবা ময়ামদু লমদম অসিদদি ইফোং-ফোংনা, ফি হেক শেত্তবমখৈ তক-তক উরিবগুম্বনি। মসিবু দোমোক্রেসি হায়বা য়ারিবসিনা হেন্না ঙকখ্রে। কুনমাথোই শুবা চহীচা অসিদা দেমোক্রেসি হায়রিবসি অঙকপা থাক অমদা লৈরি। মীওইবা খুন্নাইগী চাওখৎ খোঙথাংসি কদোমদা চৎলিবনো খঙনবা নত্তে, মীনি হায়ববু য়ানরক্তবগী ৱা লাকপা য়ারিবনি।

চৈবা-ঙাঙবা, মী খৎনবগী ৱাদু নত্তে। অফবা ৱাখল্লোন তম্বীগনি হায়রিবা মীশিংদুবু কদায়দা চৎখ্রবগে? থবক ফজনা তৌদ্রিবসি মখোয়নি। চেদা খরা ইবা, টি ভিদা খরা উবনা লোইবা য়ারোই। মালেমগী দেমোক্রেসি চৎলে হায়বা মীয়ামদুনা লমদম অসিগী দেমোক্রেসি মওংসি খঙদব্রা, দেমোক্রেসিগী শক্তম নৈনবদা য়াওহন্দ্রিবরা? মখোয়না লমদমসিগী দেমোক্রেসি অসি খঙদনা মালেমগী দেমোক্রেসি খঙলবনি হায়বা য়াব্রা? ঐখোয়গী দেমোক্রেসি খঙজদবা মীদু অপংবা মীনি। ঐখোয়না খঙদবদগী, পংবদগী তৌরিবনি খল্লগনা মপূক ফত্তবনি। দেমোক্রেসিসি মপূক ফত্তবা মী ময়াম য়াওবা য়াবা লৈঙাক্কী সিষ্টেম অমনি। ইরোল্লু হায়দুনা শিন্নখ্রগা আলুদু মকু খোল্ল-খোল্লগা ময়াদা লংশিল্লম্বগী ৱাদুনি। হুমাং থোক্তনা অরাংফম ওইবা মখোয়না পৈশাদি পায়বা অসুম হেনগৎলকপা, হুমাং থোক্লা শুরিবা-নোম্লিবা শিন্মী ময়ামসিনা অদুম পত্থখিবা। মদুসু পংবদগীনি হেক্তা হায়রিবনি। লৈবাক্কী পৈশা হুরানবসি লৌমীদি য়াওব্রা?

মীয়ামদি পংবগী পংবা অদুম পংখিগদৌরিবনি। ইংলিসনা তম্বীরম্বা ‘অপংবগী মরল অশিংবনা চাবা’ হায়বদু লৈঙাক্তা পানশিল্লিবনি। পৈশা পায়বশিংনা হেন্না হেন্না পৈশা পায়খৎলকপা হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবা থৌওং নত্তে। চিন্দনা অমা, খূৎতনা অমনি। পৈশা পায়বশিংনা শেম্বা লৈঙাক্নবু পৈশা মাঙবা হৌনব্রা? অদুনবু শেনয়েকশিংগী মমল হন্থরক্লিবা অসিনি। হন্থখিবা মমলদুদি কনানা ফুক্কৎকদৌরি? লৈঙাক পায়বশিংনা ফুক্কৎকদরা, লৌমী শিন্মীশিংনা ফুক্কৎকদরা? কনানসু নৈনদ্রিবা মাল্লি। ইন্দিয়াগী শেনয়েকসি চহী কুন-কুন্দা দিজিৎ অমগী মমল হন্থরক্লি হায়রুবা নুপাদু ফম তাখি হায়ব্রা অমদি তাখি। লুপা তরা পীবদু চহী কুন লৈরগা লুপা চাম্মা পীগনি হায়বনি। মমল হেনগৎপা নত্তে, পৈশাগী মমল হন্থখিবনি। মসি খঙবা মীবু কয়া য়াম্না ভোট লেপ্লকপদা য়াওরক্লিবগে? কদায়দগী ৱানোদা, মদুগা ভোটকা শম্নদে, হায়রিবনি। লৈবাকসি খঙদনা লৈবাক শেমগনি হায়দুনা থোক্নরকপা ময়াম মরকসিদা ভোট পীগনি হায়বশিংসু ঙাওরকপদুনি। মদু য়ৌনা নৈনরবদি য়ু ঙাওবদগী হেন্না ঙাওগদৌরিবনি, য়াওরুবা য়াবা নত্তে খন্নরিবনি। লৈবাক শেম্বা য়াওগনি হায়রগা লৈবাকসিদা চঙবা য়াদবা মীসু ময়াম লৈরিবনি। মানা-মানা থোকপা ঙাওনরক্লিবনি, ভোট লেপ্পরিবসি ঙাওদে হায়বা য়াবা নত্তে। লগাও থাবগুম্বনি। ক্রোর তরা চঙবা ভোট লেপ্পা তারবদি ক্রোর কয়া তোংগদগে খনবদি মশানা তারকপনি। মদুগী করবার অদুবুনি ভোট লল্লোনবা হায়নরিবসে। অসুক ফজবা থৌওংসি মালেমগী অতৈ মফমদা হৈনরমদৌবা মাল্লক্তে। লমদমসিদি অঙকপা অমনি।

পঞ্চায়টকী ভোট কাবসিবু থাবল চোঙদৌবনি হায়বসি কনানা লাউথোকখিবনো। বেন্দ পার্টি ময়ামসি থকচনীং-চাজনীং পার্টিদা য়াওখ্রবরা, শিনফমগী পৈশা তান্নরিবরা, থকপা চাবা য়ানবা ফ্রিনি হায়রিব্রা? নুমিৎ হুমনিসি বেন্দ পার্টিগী থিনবা, লাউবা ময়ামসি তাবদা লমতা থা য়ৌরবোই খল্লুরবনি, টি ভিদা য়েংবদদি চুল্লল্লে, থাবলসু চোঙলল্লে। অনী থোকপী লৈবাক্তা লমতাসু অনি থোক্লবোইরে, লমতা থাসি থারোনবা থা ওইবা য়াদবা লৈব্রা? য়ারমগনিদা।

লৈশাবী মচা থৌরি থৎপীশিংদুনা পৈশা লৌহৌরিবনি, মৈরা শঙদা মৈতাল য়েল্লকপদু য়াওশঙ নীংশিংলমদৌ মাল্লকই। অদুদগীদি শিংজু পীজরম্বা, লিকোন শান্নবা, চাক-চানবা, থাবল চোঙবগী পৈশা হাপ্লম্বা লোয়না মথং মথং নীংশিংলকপা য়ারিবনি। মদুদগী অসুম অসুম লুপা মঙা-তরাগী বোড়া-শিংজু চারুবদগীনি লুহোং ফান্দা ফম্মিন্নরক্লিবনি। নীংশিংলবদি নোকফেৎ তৌরক্লিবনি, ভোট থাদবগী থোক্লকপদসু লৌখিবা পৈশাদু কাউবা য়াবা নত্তে, ক্বা মতপ অমা শায়রগা নোকফেৎ তৌরগা থোক্লকইবনি। ভোট হায়রিসিসু পাখঙ ওইরিঙৈগী, লৈশা ওইরিঙৈগী মিহুল অমা হাইফেৎ কাংনরকপা মাল্লকইবনি। মিনা পীবমখৈ লৌবা হায়বসি কোন্নথংদদি মপূ শারকপা হৌনশানি। চহী মঙা-মঙা য়োনবসিসু ৱাখল অমদি পোক্লিবনি, নুমিৎ খুদিংগী য়োনবা য়ারকপগী ৱাদু নীংশিংলকপা য়ারিপোৎনি।

মরুপ অমদি থবৎ তৎনা হেক্তা মহায়রে ‘ভোটসি য়াওশঙগা মান্নরে’। পৈশা পীবনসু পীরে, লৌবনসু লৌরে, করিদবু খেন্নরিবগে? শিনফম ওইনা পৈশা লৌরগা ভোটকী চেনবা মী থোক্নরক্লে। পৈশা লৌজদবা মীশিংগীসু লিষ্টতা য়াওহল্লগা পৈশা অদুম লৌথোক্নরে। প্রোফেস্নেল এজেন্টশিং লৈরবনিনা ভোটকী পৈশা য়েনবসু লায়হল্লে। মুখৎপদি য়াগদৌ মাল্লক্তরে। মীওই খরদি শিনফম মুখৎপা য়াগদৌবা মান্দ্রে। মখোয় খরগীসু করবার (লল্লোনবা) হায়রিসিনি।

ভোটতা পৈশা চাদবা য়ারক্তবা অমা লাক্লবনি। ঙা অশেম্বা ওইনা য়েনশিল্লক্লববু লৌদবা য়ারিব্রা? হেক লৌদবদা ভোট পীরোইদৌরিব্রা হেক্তা খনখ্রিবনি। ভোট পীবা পীদবা লায়রি, পীগদৌরিবা অসিমক্তদা পীদবা মানখিবা য়ারিবনি। তশেংবদি ভোট পীবসি অরোনবা ওইনা পীনগদৌবনি, ঐখোয়গীনা পীবা মালহল্লগা পৈশা লৌথোকপা হায়বা অমসু চৎনরিবনি। মীরেপ খুদিংদগী পৈশা লৌবা য়াওনরি।

ভোট কারবশিংসু মঙোন্দা ভোট পীদবশিং লাপ্পা ত্রান্সফর থাবগী ৱারী য়াওরিবনি। মদুমক্তি দোমোক্রেসি খঙদবনি। মখোয়দুনা ভোট কারকপা য়াওরবদি ভোট তৌখিবদু চুমদ্রে হায়বনি। ভোট কাবগা দেমোক্রেসি খঙবগা শম্নদ্রি।

য়াওশঙ ফাওবা চুমথোকপা ঙমদ্রিঙৈদা ভোট চুমথোকপা ঙমগদৌবা লৈত্রি। চুমথোক্কনি হায়র-হায়রগা পৈশা চঙবা অসুম হেল্লকপা তারবদি চুমথোক্নবা হোৎনদবনা ফগদৌরি। চুমথোকপসু হৈতনা শেমদোক্কনি লাউবসু তোকপনা ফগনি। ভোট থাদবা হৈবা হায়বসিসু থৌওইনা তম্বা তারি।